# হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লমদম অসিগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি : কে রোবিন্দ্রো




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):
ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা বেঙ্গুন্দা লৈবা দাইনামিক য়ুথ ক্লব (দি ৱাই সী) গী শঙলেন ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকরসু ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

দি ৱাই সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ক্লবকী শঙলেন শঙ্গাবা অদুগী মনুং চন্না হন্দক্তা নৌনা দেপ্যুটি স্পিকরনা বেঙ্গুন লৈরক অচৌবা মচিন্দা গেট অমা শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগীদমক্তসু মহাকপু তরাম্না লকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, দি ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট মককময়ুম মুস্তাকিম, ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিল্লর এম ক্যামুদ্দিন, সোসল ৱার্কর অলহাজ সিরাজ ৱাং, পি ঐচ সী শমুরৌগী এম ও ডা. সলিম, এদ্যুকেসনেল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অবোস্না অমদি সেক্রেটরি রিয়া খাননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা হায়, হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লমদম অসিগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। মখোয়বু তিঙ্গং কাইজংদবা মশা-মঙ ফবা তুংগী য়ুম্বীরেল অমমম ওইনবা শেম্বদা ক্লব অমদি মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাউই। ঙসি শঙ্গারিবা ক্লব অসিনা খুন্নাই অসিগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মান্নবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেম্বদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ঐগী মীগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলবদি লমদম অসি শোয়দনা চাওখৎ মায়কৈরোমদা য়াঙনা চৎপা ঙমগনি হায়খি।

এ সী অসিদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎলক্কদবা চাওখৎ থৌরাংশিংসু দেপ্যুটি স্পিকরনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

# ফেকলটি দিভলপমেন্টকী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজ (ৱাই য়ু সী) দা ফেকলটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ঙসি কোলেজ অসিগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অমর য়ুম্নাম, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এল রনধোনি, কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোর্দিগী চ্যেরমেন প্রোফেসর নিমাইচান্দ লুৱাং, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সকী হান্নগী দিন প্রোফেসর এন রাজমোহোন অমদি সেন্টর ফোর ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী দিরেক্টর প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহল মৈতৈনা মথংশিংনা থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসি হৌদোকখিবা ফেকলটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কোলেজশিংদগী ফেকলটি মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি। লোয়ননা হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোফেসর নিমাইচান্দ লুৱাংনা 'সাইলেন্ট ফিচর ওফ পেদাগোগি ইন এন ঈ পি ২০২০', প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহল মৈতৈনা 'ইনোভেটিভ পেদাগোগি এন্দ করিক্যুলম দিভলপমেন্ট ইন দি লাইট ওফ এন ঈ পি ২০২০' হায়বা টোপিকশিং অসিদা ৱা ঙাঙখি। অদুগা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. আর কে ইন্দিরানা চ্যেরপর্সন ওইদুনা চথখিবা একাদেমিক সেসন্দা জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ডা. আশা শিনহানা রিফ্লেক্সন্সন ওফ ইনোভেটিভ ইন এদ্যুকেসন এন্দ ক্বালিটি এনহেন্সমেন্ট অমসুং এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী ডা. চীংলেন মাইস্নামনা রিছার্স পেপর রাইটিং এন্দ পব্লিকেসন হায়বা হীরমশিং অসিদা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

# ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা 'অতিয়াগী থৱায়' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):
ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ৮-শুবা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেল মনুং চন্না ৱাইখোং অমুচৌ মৈতৈগী শৈরেং লাইরিক 'অতিয়াগী থৱায়' ফোঙখ্রে।




ফেষ্টিবেল অসি সাহিত্য থৌপাং লূপ (শাথৌ লূপ) না শীনবা ৮লকশুরকপা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলনি। ঙসি ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না শৈরেং লাইরিক অসি মীয়ামদা ফোঙদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি মুতুম রমনিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা লন্দনগী কিংসষ্টোন য়ুনিভর্সিটিগী রিছর্স স্কোলর টায়িবুর রহমননা থৌরম মপু ওইবগা লোয়ননা সাহিত্য একাদেমি মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দকী কন্ভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা থৌরম অসিগী মীফমলোই ওইদুনা শরুক য়াখি।

লাইরিক অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসিগী অইবা ৱাইখোং অমুচৌ মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী শিংজমৈ খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈরিঙৈ মতমদা অহলশিংনা মহাকপু তাকপী-তম্বীখি। মসিদসু নত্তনা মহাক্না ফ্রন্ট অমগী মেম্বর ওইনা লৈরিঙৈদা শৈরেং লাইরিক অসি ইনীংবগী ইনোৎ পীখি। কুমজা ১৯৯৩দা মহাকপু ইন্দিয়ন আর্মিনা ফাবদগী হায়রিবা কুমজা অদুগী নবেম্বরদা মহাক সেন্ত্রেল জেলদা লৈরকখি হায়রি।

জেল মনুংদা লৈরগা শৈরেংশিং ইদুনা লাইরিক ফোঙবা অহলসু য়াওখি। অদুবু হৌজিক্তি লৈখিদ্রে হায়খি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেলদা লৈবদগী হান্নদগী হৌনা লৈরকখিবা শৈরেং ইবগী অনৌবা ইনোৎ হাপকৎলকখি। কুমজা ১৯৯৫দা জেলদগী থোরকপগা লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগা নক্না তিন্নজবা ফংদুনা শৈরেংশিং ইবগী থবক্তা থৱায় হাপ্পীরমখি। মসিগী মথক্তা ঈশৈ ইবসু পামজবদগী ঈশৈ খরা ইদুনা মসিগী কন্সর্ট ফাওবা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঈশৈগী ওদিও কেসেট অনীসু ফোঙখ্রে হায়খি।

মহাক্না ঙসি মীয়ামগী মফমদা খুদোল তন্নিবা শৈরেং লাইরিক অসি ঙসিদগীনা চহী ১০গী মমাঙ কুমজা ২০১০দা ইবনি হায়বগা লোয়ননা সাহিত্যগী লন্বীদা চঙলকপা মতমদা অহল-লমন কয়াগা তোৎন-তিন্নবা ফংখি হায়নসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঙসি মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা শৈরেং লাইরিক অসিগী থৌরমগা ইরোয়ননা অইবা-অইবী ১৫না শৈরেংশিং মীয়ামদা পাথোক্লুনা তাহনখি হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসিগী অহৌবা শরুক্তা শাথৌ লূপনা কুমজা ২০১৮দা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্ন খৱা অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়রি।

# ময়েং লমজাওদা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):
মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর) গী মখাদা লৈরিবা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট, ককচীং সী দি ব্লোক অমসুং ষ্টেট স্কিলস মিসন, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইবলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম) না পূন্না শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ময়েং লমজাওদা নোংমগী ওইবা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌসলিয়া য়োজনা (দি দি য়ু - জি কে ৱাই) গী নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসনগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান উরিকখিনবম নরজিৎনা ময়ায় তাংবল লৌখি। অদুগা ককচীং সী দি ব্লোক্কী স্কিলসকী ব্লোক কোওর্দিনেটরগী থৌরম পুরিবি য়াইফ চন্নুনা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসন প্রোগ্রাম অসিগী রিছোর্স স্পিকর ওইনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌসলিয়া য়োজনানা খুঙ্গংশিংগী লায়রবা নহারোলশিংদা লেম্না মতমগা চানবা স্কিলসকী শোর্ট টর্ম/ লোং টর্ম কোর্সশিং প্লেসমেন্ট ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংগী খুৎথাংদা ত্রেনিং পীদুনা অমদি হায়রিবা ত্রেনিং অসি লোইরবা মতুংদা মখোয়বু প্লেসমেন্ট পীদুনা রুরল ইকনমিবু ফগৎনবা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাঙাঙলোই অদুনা মরীক চুম্না ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। খুঙ্গংগী নহারোলশিংগীদমক য়াম্না মরু লইবা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসনগী নোংমগী ওইবা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা ময়েং লমজাও গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ প্রধান অমদি তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# শেল কায়থোক কায়শিন তৌবদা অৱাবা মায়োক্লরে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস):
হন্দক্তা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (য়ু বি আই) না পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতা মর্জ তৌখ্রবা মতুংদা থৌবালদা লৈরিবা য়ু বি আই, থৌবাল ব্রাঞ্চকী হান্নগী কষ্টমরশিং নৌনা হাংলক্লিবা পি এন বি ব্রাঞ্চ অসিনা তৌফম থোকপা থবকশিং নিংথিনা তৌবীদবদগী শেল কায়থোক কায়শিন তৌবদা অৱাবা মায়োক্লরে।




য়ু বি আই, থৌবাল ব্রাঞ্চতা হান্না একাউন্ট হাংলিবা অহল ওইরবা পেন্সনরশিং, স্কোলরশিপকী একাউন্ট হাংখিবা বেঙ্ক কষ্টমরশিংগী বেঙ্ক ত্রান্সজেক্সন তৌবা মতমদা অনৌবা বেঙ্ক অসিগী আই এফ এস সী কোদ শিনবা মথৌ তাবনা ত্রান্সজেক্সন তৌবা য়াদ্রে।

অমরোমদা, অনৌবা বেঙ্ক অসিগী ষ্টাফশিংনা মথৌ তাবা থবক পায়খৎপীনবা হায়রবসু ইন্টরনেট য়াদে হায়দুনা মপানগী গেটতা নোটিশ অমা থোকচিল্লগা মনুংদা মী চঙহন্দনা থোঙ লোল্লগা লৈরে। অদুগা বেঙ্ক অসিদা তারিবা সিক্যুরিটিশিংনা বেঙ্ক অসিদা লাক্লিবা অহল ওইরবা পেন্সনরশিংদা হায়রোইদবা ৱাঙাঙ কয়া শীজিন্নদুনা বেঙ্ক মনুংদা চঙবদা অথিংবা থল্লে।

বেঙ্ক অসিদা লাকপা নুপী কষ্টমর অমনা ফোঙদোরকপদা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী অনাবা অমগী তঙাইফদনা বেঙ্ক অসিদগী শেল লৌথোকপা লাকপদা শেল কায়বা য়াদ্রে, অহল ওইবা মীওই কয়া অমসু নীংবা কায়দুনা হন্নখ্রে, অসিগুম্বা বেঙ্ক অসিদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

লৌশিং পুক্কে

# মোমোন নোকপনা হীদাক কাপ্পগী চৈনাখোল হন্থহনবা

অনৌবা ষ্টদি অমদা, মায়থোঙদা মোমোন নোকপা অমদি মায় শুক্তোকপা (গ্রিমস) অনীমক অসিনা ভেক্সিন কাপ্পগুম্বগী য়েত্তুম শীজিন্নদুনা হীদাক কাপ্পদা ফাওবা চৈনাখোল অদু হন্থহনবা ঙম্বা থেংনখ্রে। পুকচেল শেংনা মোমোন নোকপনা পার্টিসিপেন্টশিংদা ষ্ট্রেসনা পীবা সাইকোলোজিকেল রেস্পোন্সশিংসু হন্থহনখি।

মীওইবনা য়াম্না অকনবা চৈনাখোল অমা মায়োক্লবা মতমদা মীৎ চেৎনা উইশিনগনি, খজায় চিংখৎকনি, অমদি য়া হিগৎলক্কনি। অতোপ্পা শা খরসু মসিগা মান্নবা ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনশিং শীজিন্নে। এক্সপার্টশিংনা মসিবু গ্রিমস রেস্পোন্স হায়না খঙনৈ।

অসুম্না চৈনাখোল খাঙবা মতমদা মায়গী মসলশিংদা লৈরিবা অহোংবশিং অসি মোমোন নোকপা মতমদসু থেংনৈ।

য়াম্না খেন্নবা মরমশিংদগী ওইহল্লকপা এক্সপ্রেসন অনী অসিগী মশকশিংদা মান্নবা কয়া লৈরিবা অসি করিগীনো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ফেসিয়ল মুভমেন্ট অনী অসিনা ষ্ট্রেস অমসুং চৈনাখোলগী লমদা কান্নবা পীবরা হায়বা টেষ্ট তৌনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, ইর্ভাইন স্কুল ওফ ইকোলোজিগী রিসার্ছরশিংনা থৌরাং তৌখি।

মরুওইনা মখোয়না খঙবা পামখিবদি, য়েত্তুম শীজিন্নদুনা হীদাক কাপ্লিঙৈ মনুংদা পার্টিসিপেন্টশিংগী ফেসিয়ল এক্সপ্রেসন মেনিপ্যুলেট তৌবনা মখোয়দা ফাওবা চৈনাখোল অমদি মদুগা মরী লৈনবা ষ্ট্রেস লেবেলদা হোংহনবা ঙম্বরা হায়বসিনি। রিসার্ছরশিং অদুগী ফাইন্দিংশিং অদু ইমোসন হায়রিবা জর্নেল অসিদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

চৈনাখোল খাঙবা অমসুং মুদকী মতাংদা ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনশিংগী ইম্পেক্টকী মরমদা সাইন্টিষ্টশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী খঙনিংদুনা লাকখিবনি। হন্দক্কী অনৌবা ষ্টদি অসিগী ওথরনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মশানা খঙনবু ওইরবসু খঙদনবু ওইরবসু মোমোন নোকপা শাবনা ইমোসনবু অফবা মায়কৈ অমদা হোংহল্লকপা য়াই হায়রি।

ফেসিয়ল এক্সপ্রেসন অমসুং চৈনাখোল ফাওবা অনী অসিগী মরক্তা লৈরম্বা য়াবা মরীশিংবু ইনভেষ্টিগেট তৌনবগীদমক রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্ট ২৩১ রিক্রুট তৌখি। পার্টিসিপেন্ট খুদিংমক্তা ফ্লু ভেক্সিন কাপ্পদা শীজিন্নবদুগা মান্নবা য়েত্তুম শীজিন্নদুনা সেলাইন সোল্যুসনগী সোট অমমম কাপখি।

রিসার্ছরশিংনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুবু কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোকখি। হীদাক কাপত্রিঙৈ অমদি কাপ্লিঙৈ মনুংদা রিসার্ছরশিং অদুনা চোপষ্টিকশিং শীজিন্নদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মায়থোঙশিং অদুবু মেনিপ্যুলেট তৌদুনা তোঙান তোঙানবা এক্সপ্রেসনশিং উৎহল্লম্মী। এক্সপ্রেসনশিং অদুদি: দুচেন স্মাইল (খয়াৎ অনী চিংখৎতুনা অমদি মীৎকী অকোয়বদা খুইজিনবগী মশক উবা ফংবা মওংদা পুকচেল শেংনা নোকপা); নোন-দুচেন স্মাইল; গ্রিমস; ন্যুট্রেল এক্সপ্রেসন হায়রিবশিং অসিনি।

হীদাক কাপত্রিঙৈ মমাঙদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা হীদাক কাপ্পবা য়েত্তুমগী মরমদা ফাওবা পাখৎপা অমদি অকিবগী মরমদা হংবা ক্বেসন্যের অমা মেলহনখি।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মখোয়গী ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনশিং অদু উৎতুনা লৈবগা লোয়ননা মেদিকেল প্রেক্টিস্নর অমনা মখোয়দা সেলাইন ইঞ্জেক্সন কাপ্লম্মী। প্রেক্টিস্নর অদুনা বেন্দেজ য়েৎশিনবগা পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মখোয় মশাগী মমায়দা শীজিন্নরিবা চোপষ্টিকশিং অদু লৌথোক্লম্মী। অমদি হীদাক কাপ্পা অদুদা চৈনাখোল কয়াম ফাওখিবগে হায়বগী মতাংদা ক্বেসন্যের অমা মেল্লম্মী।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মিনিট ৬ পোত্থারবা মতুংদা মখোয়দা ফাওবা চৈনাখোলগী চাংশিং অদু অমুক হন্না রিপোর্ট তৌখি। হীদাক কাপ্পা অদুদা কয়ামুক য়াম্না ষ্ট্রেস মায়োক্লখিবগে হায়নসু রিসার্ছরশিং অদুনা হংখি।

হীদাক কাপ্পগী মমাঙ, মনুং, অমদি মতুংদা পার্টিসিপেন্টশিং অদু ইলেক্ট্রোকার্দিওগ্রাম অমদা লিঙ্ক তৌখি। লোয়ননা, রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী উনশাগী ইলেক্ট্রিকেল রেজিষ্টেন্সতা লাকপা অহোংবশিং নৎত্রগা ইলেক্ট্রোদর্মেল এক্টিভিটি (ঈ দি এ) সু চাং ওনখি।

রিসার্ছরশিং অদুনা হায়বগী মতুংইন্না ওইহল্লিবা ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনগী ইফেক্ট অদু হীদাক কাপ্পগী হেক মতুং অদুদনা খ্বাইদগী হেন্না কনখি। দুচেন স্মাইল অমসুং গ্রিমসকী কাঙলুপশিং অদুনা ন্যুট্রেল ওইবা কাঙলুপশিং অদুদগী য়েত্তুম থিনবগী চৈনাখোল ফাওবগী চাং চাদা ৪০ রোম হন্থবগী রিপোর্ট লৈখি

রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিংগী হার্ট রেট এগজামিন তৌবদা দুচেন স্মাইল কাঙলুপগী মীওইশিং অদুনা ন্যুট্রেল ওইবা কাঙলুপতগী হার্ট রেট য়াম্না হেন্না নেম্বা থেংনখি। অতোপ্পা কাঙলুপশিংগী মরক্তদি থোইদোক্লা খেন্নবা লৈখিদে।

ষ্টদি অসিদা ফংলিবা ফাইন্দিংশিং অসিনা তাকই মদুদি মোমোন নোকপা অমদি মায় শূক্তোকপা অনীমক অসিনা য়েত্তুম থিনবগী চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী, অদুবু ষ্ট্রেসনা থোকহনবা সাইকোলোজিকেল রেস্পোন্স হন্থহনবগী মতাংদদি অতোপ্পা ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনশিংগা য়েংনবদা দুচেন স্মাইলিংনা হেন্না চানৈ হায়না রিসার্ছরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

ষ্টদি অসিগী লিমিটেসন খরদি লৈখ্রগসু প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর প্রো. সারাহ প্রেসমেননা ষ্টদি অসিনা হীদাক কাপ্পগী নুংঙাইতবা ফিভম অদু হন্থহন্নবগী ইচম চম্বা, ফ্রী ওইবা অমসুং ক্লিনিকেল্লি মিনিংফুল ওইবা মেথদ অমা উৎলে হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

# জেন্দর সেন্সিটাইজেসনগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী কংলা শঙ্গোমশঙ অৱাং লৈকায়দা নোংমগী ওইবা জেন্দর সেন্সিটাইজেসনগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি ক্যের মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম এস সী দব্লিউ) গী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা কম্মিসনগী মেম্বর লৌরেম্বম দয়াবতি, ক্যের মণিপুরগী সেক্রেটরি এস ঐস গিতা অমসুং কম্মিসনগী মেম্বর তিন্নিংফম মোনশাংনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অসিগী মরু ওইবা শরুক্তা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মেম্বর যি চৌৱোংসিন কোইরেংনা জেন্দর সেন্সিটাইজেসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা এদভোকেট কে ঐচ মোনোরমানানা ৱিমেন এম্পৱারমেন্ট থ্রু লো হায়বগী মতাংদা রিছোর্স পর্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### বহি-বহিগী নুমীৎ অমদি অনৌবা চহীগী থৌরমশিংদা এস ও পি ঙাক্লবা লৈঙাক্লা থৌরাং লৌখৎহন্নিংঈ



কোভিদ-১৯গী চৈথেং মীয়াম্না ফংলক্লিবা অসি কুইরে। অদুবু থেংখাং কয়াদা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং থুগাইদুনা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং অমদি মীখল ফাওবা পাঙথোকখ্রে। হৌজিক কুমজা ২০২০ লোইবগী থৌরম অমদি অনৌবা চহী লাকপগী থৌরম ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগদৌরি। মসিগীদমক লৈঙাক্লা হৌজিক্তগী হৌনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরিবা অরুবা ফীভম অসিদগী অমুক হেন্না লুশিল্লক্তনবা থৌরাংশিং পায়খৎহন্নিংই। মরমদি তশেংনা হায়রবদা মীয়ামদা মমাংদা লৈরম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অকিবা অদু মাঙখ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অমরোমদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা য়াম্না লৌনগনবা লাইওং অমা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরক্লি। হৌজিক অনৌবা লাইওং অসি য়াম্না কন্না শন্দোক্লিবা বৃটেনদগী ইন্দিয়াদসু মীওই কয়া য়ৌরকখ্রে। মীওইশিং অদুগী মরক্তা মীওই ৮ পোজিটিভ ওইবসু থেংনখ্রে। অদুবু অনৌবা লৌনগনবা কোভিদ-১৯ গী লাইওং অদুরা হায়বদুদি মীয়াম্না খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মীওইশিং অদু পোজিটিভ ওইখ্রিবদু য়াম্না চিংননিংঙাই ওই। মরমদি মখোয়শিং অদু বৃতেনদগী লাকখিবা মীওই ঙাক্তনি।

❒ সনধ্যরানি অবুজম, হৈরোক কবো লৈকায়

### মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরকপা কুইরে লৈঙাক্লা মহৈ তম্বা করম্বা মতমদা ফংহনগদৌরি



লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংসু চহী ফাজিল্লক্কদৌরে মহৈ তম্বা ফংলক্তবা। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইবশিংগী অৱাবা খরদং ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবা পেরেন্টশিংদগী স্কুলগী ফী চাদা ৩০ লৌখৎনবা হায়খি। অদুবু ৱাফম অদু কদাই ফাওবা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রবগে হায়বা খঙদনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা পেরেন্টস খরনা স্কুল ফী অদু পীনিংখিদে, খরা অমা পীনিংবগী ৱা ঙাঙখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থা কয়া তোলোপ ফংদনা লৈখিবনি। স্কুল খরদনা থাগী তোলোপ ওইনা লুপা লিশিং অনী-অহুম অমদি মসিদগী খরা হেন্না পীবসু য়াওনখি। তশেংনা হায়রবদা মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা এদ্যুকেসনগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসি অঙকপনি। অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকখ্রে। লোয়ননা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্নবা হোৎনবদা ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাংগুম্বনা স্কুল চৎপদা থিন্দোক-থিনজিন তৌরিবা ভেন দ্রাইভর অমদি বস দ্রাইভরশিংগী থৌদাংসু ঐখোয়না কাউফম থোকতে। লাইবক থীবদি মখোয়গীদমক্তসু কোভিদ-১৯গী লালক অসিদা মতেং পাংনবা কনা অমত্তা চোংথোরক্তুনা মতেং পাংবিখিবা লৈতে। মরম অদুনা স্কুলগী ভেন দ্রাইভরশিংগীসু লৈঙাক্লা মতেং পাংহন্নিংঈ।

❒ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১২।২০২০ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৭.৫৫ ফাওবা পোইনুগী ১৪নি পাল্লি, মতুং থানিল ওইরনি।

**মেষ :** মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা, শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকপা অমদি লেংদবা লন লেপশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি -অনম তানগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংঈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** হৈ-শিংবনা নরল চাওখৎনবা হোৎনবা অমদি মীংচৎ তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। ফিংলদি কাইনবা য়াবা লৈ অমদি চরাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিথুন :** ললোন ইতিক্তা মায় পাকচবা, ৱাখল থোকপা অমদি নরল চাওখৎনবা হোৎনবদা মায়-পাক্কদবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**কর্কট :** ওজা-গুরুনা চানবীবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকপা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাজবা অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। মীচং খোম্বা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হান্নগুম মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াদে অমদি অনম তানগনু । মদুনা নচা ননাই ময়েং তাবা য়াই। লল্লোন ইতিক্তদি চাওনা কান্নগনি অমদি নীংবা মপা চাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অনা অয়েক লৈরল্লসু কোকচবা অমদি চোপ্পা য়াবা লৈরল্লসু মীংচৎ অফবা ওইনা ফংজবা নুমিৎনি। খুরৌ থাংবা অমদি নক্লবনা য়েৎপদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** পুক্লিং ৱাবা, মীতোপ্পা তাথীবা অমদি নচা ননাইগী লম্দা মাঙজবা লৈগনি। অৱাৎপা অমা লোয়নবনা থৌপাংবা ৱাগনি-লৌশিং চাওবগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থিজিনবা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**বৃশ্চিক :** মীয়াম্না য়াম্না য়াবা অমদি মখোয়গা লোয়ননা পাংবা খুদিংমক মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নাইতোম পাংবা থবক্তা মরল মাঙবা য়াবদি লৈ-অনম তানগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** চোপ্পা য়াবা অমদি শোক-পনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু অমদি ৱাঙাঙবা চেকশিল্লু। অশাওবা হায়বসি অঙাওবনি হায়বা কাউগনু। অদুবু শেন্দোংদি ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক খরদি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা।

**মকর :** খুরৌ থাংবা অমদি য়েৎনবা খরা লৈরবসু নীংবা থুংগনি, ললোন ইতিক কান্নগনি, নথক থোংবনা চানবীগনি, পূক্লিং তপথনা থৌ পাংবা ঙমজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** হোয়া ফবা অমদি হেন্না অশা চাওবা তৌগনু-মতম মাঙগনি অমদি নচা ননাই ময়েং তাগনি। মীতোপ থাজগনু। মরুপকী মতেং লৌবদি কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**মিন :** চরাংনবনা মরুপ মপাংগা মরী ফরোই অমদি খুৎচাও থাগনু। য়েক্লববু লাকশিন্দুনা অরুবা থবকসু লায়না পাংগনি। মীয়ামগা লোয়ননা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।